


ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯠꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস

Monday, February 08, 2021, Imphal






ইন্দিয়াগী টেন্নিস মশান্নদা দেবিস কপকী টিমদা কুমজা ১৯৫৮দগী হৌরগা ১৯৬৪ ফাওবা লেপ্তুনা মেম্বর অমা ওইনা শরুক য়াদুনা লাকখিবা মমিং লৈরবা টেন্নিসগী সিঙ্গলস অমসুং দবলসকী শান্নরোয় লৈখিদ্রবা অখটর অলি

মমাং থাগী দিসেম্বরদগী হোস্পিটলাইজ তৌদুনা লাকখিবা বোক্সিংগী লম্‌দা কুমজা ১৯৭৮দা মহমদ অলিবু মায়থীবা পীদুনা ৱর্ল্ড হেভি ৱেট বোক্সিং চেম্পিয়ন ওইরম্লবা মশাগী চহী ৬৭ শুখ্রবা লৈখিদ্রবা য়ু এস এগী বোক্সর লিওন স্পিঙ্কস

## ইন্দিয়া অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২৫৭ লৌদুনা ইংলেন্দগী রন ৩২১ শোখ্দুনা লৈরি

চেন্নাই, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দনা শান্নরিবা ক্রিকেট টুরগী মনুং চনবা অহানবা টেষ্ট মেটচকী ঙসি ৩নি শুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা বেটসমেন ৬ আউট ওইরগা রন ২৫৭ লৌখিবদগী মখোয়না ইংলেন্দগী অহানবা ইন্নিংসকী রন ৫৭৮দগী রন ৩২১ শোখ্দুনা লৈরি।

চেন্নাইগী এম এ চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ৫দগী হৌখিবা অহানবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইংলেন্দনা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অহানবা নুমীৎ অমদি নীনি শুবা নুমীৎ ফাওবা মপূং ফানা বেটিং তৌদুনা রন ৫৫৫ লৌদুনা লাকখিবনি। ঙসি হুম্নি শুবা নুমীৎকী হৌরকপদা ইংলেন্দনা মখা তানা বেটিং চথুরকপদা অপূনবা স্কোর ৫৫৫ অদুগী ২৩ হাপচিল্লগা বেটসমেন ১০মক আউট ওইদুনা রন ৫৭৮ লৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি, ইংলেন্দগী কেপ্টেন জো রুটনা ঙরাং রন ২১৮ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অদু লৌখিবনি।



*ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসতা রন ৯১ লৌদুনা অপূনবা স্কোরদা চাওনা মতেং পাংখিবা বেটসমেন রিশব পন্ট*

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ঙসি হুম্নি শুবা নুমীৎকী অহানবা সেসন অদুদা শান্নরকপদা ঙন্না শোখবা নংখি। ওপনর রোহিট শর্ম্মা রন ৬তা আউট ওইখি। মখা তারকপদা রন ২৯ লৌরম্লগা ওপনর সুবমান গিলসু আউট ওইখি। চিটেশ্বর পুজারানা রন ৭৩ লৌদুনা ইংলেন্দগী বোলরশিং অদুবু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখি। লোয়ননা রিশব পন্টনা রন ৯১ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা ইন্নিংসকী পর্ফোর্মেন্সতা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ঙসি টেষ্ট মেটচ অসিগী হুম্নিশুবা নুমীৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱাশিংটন সুন্দর অমসুং রবিচন্দ্রন অস্বিন আউট ওইদনা মথংশিৎনা রন ৩৩ অমসুং ৮ লৌরি। অপূনবা স্কোর ২৫৭দা লৈরি।

## নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা পাভানা, অনুরাগ অমসুং অনকিতানা রেকোর্দ থমখ্রে

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): অসামগী কোনুং গুৱাহাটিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা ৩৬শুবা নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপতা পাভানা নাগরাজ, অনুরাগ সিংহ কালের অমদি অনকিতা ধ্যানিনা মখোয়-মখোয়গী ইভেন্টশিং অদুদা অনৌবা রেকোর্দ থন্বা ঙমখ্রে।

কর্নাটাকাগী পাভানা নাগরাজনা নুপীগী হাই জম্পতা মিটর ১.৭৩ চোংদুনা চহী ১৬ মখাগী অনৌবা ইন্দিয়াগী হাই জম্পকী রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখ্রে। নাকল অমরোমদা, নুপাগী শোট পুট ইভেন্টতা উত্তর প্রদেশকী অনুরাগ সিংহ কালেরনা মিটর ২০.১৬ লংদুনা ইন্দিয়াগী জুনিয়রগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখি।

অমরোমদা, নুপীগী মিটর ৫,০০০গী লমজেলদা উত্তরখন্দগী এথলিট অনকিতা ধ্যানিনা মিনট ১৬:২১.১৯না ইন্দিয়াগী জুনিয়রগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থন্বা ঙমখি।





এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা পাঙথোক্লিবা ৩৬শুবা নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসিদা থমখিবা রেকোর্দশিং অদু অইবা ওইনা লৌশিল্লগা মখোয়-মখোয়গী য়ুরিন নৎত্রগা ব্লদ সেম্পল কলেক্সন তৌদুনা দোপ টেষ্ট তৌরবা মতুংদা অশেংবা অমদি চৎনবা য়াবা রেকোর্দ ওইনা থমগনি হায়না ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

মরক অসিদা, নেসনল এন্টি দোপিং এজেন্সীগী মায়কৈদগী গুৱাহাটিদা পাঙথোক্লিবা ৩৬শুবা নেসনল জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ অসিগী অহৌবা নুমীৎতা শরুক য়ারিবা এথলিটশিং অদুগী মরক্তগী সেম্পল অমত্তা কলেক্সন তৌখিদে।

কর্নাটাকাগী পাভানা নাগরাজনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মোহুর মুখর্জীবু মায়থীবা পীদুনা নুপীগী হাই জম্পতা মিটর ১.৭৩ চোংবা ঙমখিবনি। অমরোমদা, উত্তর প্রদেশকী অনুরাগ সিংহনা মহাক্কী লম্বা হরিয়ানাগী নিখলেশপু মায়থীবা পীরগা শোট পুট ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়া হান্না লৈরম্বা মিটর ১৮.০৫গী রেকোর্দ অদু মিনট ২০.১৬ লংদুনা থুগাইখিবনি। অদুগা নুপীগী মিটর ৫,০০০গী লমজেলদা উত্তরখন্দগী অনকিতানা অনৌবা রেকোর্দ থমখি।

## সেভিয়ানা গেটাফেবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা ৩শুবদা লৈখ্রে

মাদ্রিদ, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা লালিগাগী মেটচ অমদা সেভিয়ানা গেটাফেবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীদুনা লালিগাগী পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

আর সাঞ্চেজ পিজোন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সেভিয়া অমসুং গেটাফেনা অহানবা হাফতা অকনবা লম্বা থেংনরগা লাকশিনবা ঙম্নদবদগী পাঞ্জল চন্নখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদদি সেভিয়াগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর লাক্তুনা গেটাফেবু খূদুম চনখি। ৬৭শুবা মিনটতা জেন জোর্দাননা পীরকপা বোলদা মুনিরনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মদুগী মতুং মিনট ২০ লৈরগা জোর্দাননা অমুক্কা হন্না পীখিবা বোলদা অলিজান্দ্রো গোমেজনা ৮৭শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। মখা তারকপা শান্নবা লোইরমদাই ৮৯শুবা মিনটতা সেভিয়াগী ফর্নান্দোনা সপ্লাই তৌরকপা বোলদা য়ুসেফনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা গেটাফেবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

## এ সী মিলাননা ক্রোটোন থোইদুনা অমুক মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে

রোম, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): ইটালিদা পাঙথোকপা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা সেরি এগী ঙসি অঙনবা শান্নখিবা মেটচ অমদা এ সী মিলাননা ক্রোটোনবু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা অমুক হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী হৌরকপা পুংখায় ফাজিল্লকপদা এ সী মিলানগী রাফেল লিওনা পীরকপা বোলদা জলাটান ইব্রাহিমোবিচনা পাঞ্জল অমা চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৯ ফাজিল্লকপদা জলাটান ইব্রাহিমোবিচনা অমুক্কা হন্না মহাক্কী টিমমেট থিও হার্নান্দেজনা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চন্দুনা ২-০দা লৈখি। মিনট ৫গী মনুংদা মখা তারকপা পাঞ্জল ২ এ সী মিলানগী এন্টে রেবিকনা থংন-থংননা চন্দুনা ক্রোটোনবু মখোয়না ৪-০দা থোইরগা ইন্টরদগী পোইন্ট ২ হেল্লগা মাঙজিল থাবা ঙল্লি।

## মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এবর্টন পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মকোক থোংবা টিম অমা ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং এবর্টন ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩-৩ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ূম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ওল্ড ট্রাফোর্দতা শান্নখি। অহানবা হাফকী ২৪শুবা মিনটতা য়ূম্বু টিম অদুগী মায়কৈদগী মার্কস রাজফোর্দনা পীরকপা বোল অমদা ইদিন্সন কবানিনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মতম লৈশিল্লক্ত্রবদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী অরোন ভিশাকানা সপ্লাই তৌখিবা বোল অমদা ব্রুনো ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল চল্লগা এবর্টনবু মখোয়না অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুইকুইদ্রিঙৈ এবর্টনগী মায়কৈদগী এবদোলায়ে দোকোরেনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি। মদুগী মতুং মিনট ৩গী মনুংদা এবর্টনগী দোকুরেনা পীরকপা বোল অমদা জেমস রোদ্রিগেজনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী মখা চথুরকপা ৭০শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী স্কোট মেকটোমিনেনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ৩-২দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেটচকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা এবর্টনগী দোমিনিক কলভর্টনা টিমমেট মাইকেল কিননা পীরকপা বোলদা পাঞ্জল ১ চল্লগা মেটচ অদু ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ৱেষ্ট ব্রোমৱিচ অলবিওনবু ২-০দা থোইখি। হোটস্পরগী মায়কৈদগী হেরি কেন অমসুং মিন সোননা পাঞ্জল চনখি।

## এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা হোফেনহেমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে

বর্লিন, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): বুন্দেসলিগাগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টনা হোফেনহেমবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৫শুবা মিনটতা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী মায়কৈদগী অমিন য়োনেসনা পীরকপা বোলদা ফিলিপ কোষ্টিকনা পাঞ্জল চনবা হৌখি। অদুবু অনীশুবা হাফকী হৌরকপদা হোফেনহেমগী মায়কৈদগী এন্দ্রি ক্রামারিকনা সপ্লাই তৌরকপা বোলদা ইলাস বেবোনা পাঞ্জল চন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংখি।

মেটচ মখা চথুরকপা ৬২শুবা মিনটতা এন্ট্রাক ফ্রেঙ্কফর্টকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ফিলিপ কোষ্টিকনা পীরকপা বোলদা ইভান দিকানা পাঞ্জল চন্দুনা ২-১দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অদুগী মিনট ২গী মনুংদা ফিলিপ কোষ্টিকনা অমুক্কা হন্না পীখিবা সপ্লাই তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট এন্দ্রি সিলভানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-১দা হেল্লগা লৈখিবা অদু হোফেনহেমগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা ফ্রেঙ্কফর্টনা ৩-১দা থোইখি। ফ্রেঙ্কফর্ট লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ২০দা পোইন্ট ৩৬ ফংলগা ৪শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা হার্থা বর্লিনবু ১-০দা থোইদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ২০ শান্নবা লোইখিবদা পোইন্ট ৪৮ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। সালকে ০৪বু মায়থীবা পীখিবা রাসেনবোল্টস্পোর্ট লৈপজিগনা পোইন্ট ৪১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ৱোল্ফসবর্গনা পোইন্ট ৩৮ ফংলগা ৩শুবদা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় অনকিতা রাইনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টকী দবলসতা শরুক য়ারগনি

মেলবোর্ন, ফেব্রুৱারী ০৭(এজেন্সী): ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনকিতা রাইনানা লৈবাক অসিগী অহুমশুবা নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা শরুক য়াবা ঙন্বা অহুমশুবা শান্নরোয় অমা ওইনা হয়েংদগী পাঙথোক্কদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারগনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমহৌদ্রবী অনকিতা রাইনানা নুপীগী দবলসতা রোমানিয়াগী মিহেলা বুজারনেকুগা প্যের ওইদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা দাইরেক্ট এন্ট্রি ফংখিবনি।





নীংশিংবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী দবলসকী কাঙলূপ্তা সানিয়া মির্জা অমদি নিরুপামা বৈদ্যানাথননা মমাংদা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসতা শরুক য়াবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী অনকিতা রাইনানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী দবলসতা শরুক য়াবা ঙমখিবা অসিদা নৎতনা সিঙ্গলসকী মায়কৈদসু শরুক য়াবা য়াবগী খূদোংচাবা অমা লৈরি। মহাক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টতা লক্কী লুজর ওইনা লাকখিবনি। করিগুম্বা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা অহানবা রাউন্দদা ৱিদ্রো তৌবা শান্নরোয় য়াওরক্লবদি অনকিতা রাইনানা মহুৎ শিনবা য়াগদৌরিবনি।


# ANGELS' COACHING CENTRE ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ


URIPOK POLEM LEIKAI

THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

**ADMISSION OPEN** CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021

**FOUNDATION COURSE** Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021


Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi



1ST POSITION 2020

It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success.
— Reshmi Nandeibam

TOPPERS of 2020




| 9TH POSITION | 10TH POSITION | 15TH POSITION | 19TH POSITION | 19TH POSITION | 25TH POSITION | 25TH POSITION |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| NOVEENA KSH<br>D/o. Sarvodayachand<br>Nirmalabas | CHALTAN Y.<br>S/o. Y. Shantikumar<br>St. Joseph | TH. JEET<br>S/o. Th. Rashi<br>St. Joseph | DHANTHOI S.<br>D/o. S. Homeshor<br>Nirmalabas | MARY L.<br>D/o. Dr. John P.<br>Little Flower | H. NANDIBALA<br>D/o.H. Nandalal<br>Nirmalabas | HENRY O<br>S/o. O. Kumud<br>St. Joseph |

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Date | 18/02/2021 | 22/02/21 | 24/02/21 | 27/02/21 | 03/03/21 | 06/03/21 | VAN AVAILABLE |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| | Sub: | English | Maths | MIL | S. Sc. | Science | Adl. Sub. | |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342

HL-B/6686/1


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 29**

**Karpov, Anatoly (2690) - Taimanov, Mark E (2530)**
**October Revolution 60 Leningrad, 1977**

| | | | |
| --- | --- | --- | --- |
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 a6 |
| 5.c4 e5 | 6.Nb3 Nf6 | 7.Nc3 Bb4 | 8.f3 O-O |
| 9.Be3 d6 | 10.Rc1 b6 | 11.Bd3 Bc5 | 12.Qd2 Be6 |
| 13.Nxc5 bxc5 | 14.O-O Nd4 | 15.Nd5 Nd7 | 16.f4 Rb8 |
| 17.f5 Bxd5 | 18.cxd5 Qb6 | 19.Rf2 f6 | 20.Rc4 a5 |
| 21.Ra4 Ra8 | 22.Qe1 Ra7 | 23.b3 Rfa8 | 24.Rb2 Qc7 |
| 25.Bd2 Nb6 | 26.Rxa5 c4 | 27.Bf1 Rxa5 | 28.Bxa5 Qc5 |
| 29.Bxb6 Qxb6 | 30.Kh1 cxb3 | 31.axb3 g6 | 32.fxg6 hxg6 |
| 33.b4 Kg7 | 34.b5 f5 | 35.exf5 Nxf5 | 36.Rb3 Qd4 |
| 37.b6 Ra1 | 38.Rb1... | | |

**QUESTION :**
**Black wins in 4 moves**

Puzzle 28 Ans. :

**38.**Qxe5 Qe3+ **39.**Kh1 Qe1+ **40.**Ng1 Qxg1+ **41.**Kxg1 Rf1#

**38.**..Qe3+ **39.**Kf1 Rxf3+ **40.**gxf3 Bh3#

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - VIII- KAK.

**Ref :- Mutation Case No. 110/AS & SO/VIII-Kak of 2021**

Heikrujam Somorjit Singh S/o (Late) Jugeshwor Singh of Laimanai Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

(Late) Heikrujam Jugeshwor Singh S/o (L) Babu Singh of Laimanai Mamang Leikai. *-OPP*

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Kak. the 5th, February, 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুন নং ৭১ - লাংমৈদোং পাট্টা নং ১০৩৮ অনৌবা, দাগ নং ২২৩২, এরিয়া ০.৫২ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিদা নামা পান্দুনা লৈরিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মৃ: ওইখ্রবা পাট্টাদারগী লম অসি মৃত পাট্টাদারগী মচানিপানা দংকারি ওইদুনা দংকারিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপতি তৌবীনীংবা লৈরবদি অইবা চেনা লাক্লিবা তাং ১৪/২/২০২১ ইং ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাবীগদবনি। নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগগনি।

*Sd/- K. Niranjan Singh*
Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching, Manipur

HL-P/8926/08

### IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER - VIII- KAK.

**Ref :- Mutation Case No. 72/AS & SO/VI-K dt. 5-2-2021**

Moirangthem Meiraba Singh S/o Late M. Lokendro Singh of Kakching Phousupat Leikai.

-Vs-

(1) Late Moirangthem Pathou Singh S/o Late M. Lokendro Singh of Kakching Phousupat Leikai. (2) -do- Malemcha Singh S/o Late -do- of -do-

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

5-2-2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা তহশিল খুল নং ৬২-ককচীং ৱাইরি পাট্টা নং ৫৮ (অরিবা) ১১১২/১৭৪৩) Part A অনৌবা, দাগ নং ৩০৯৩/৪১৪৩/Part 'A', এরিয়া ০.০৬৫ (একর) চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার (১) মোইরাংথেম পাথৌ সিংহ পীং মৃ: লোকেন্দ্রো সিংহ (২) ঐ : মালেমচা সিংহ সাং ককচীং ফৌসুপাৎ লৈকায় অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথুরগনি।

*Sd/-* Asst. Survey & Settlement Officer, Kakching

HL-P/8804/08